# তাইবঙদা লম্মুক্লদনবা হৌজিক করি লাইনীং চৎকনি? - ১০

**ৱাখল ইহুল**
**আচার্য্য সোরাম ইবোহল**

*লুৱাংনা* চরৈ ফিশেঙ করম্বনো মরম মচা খায়না ৱাহোম্বীনবা লাইনিংহনবা মঙাংগী মফমদা হঙ্গৎচবগী মতুং তারকপদা লাইনীংহনবনা অসুম্না তাকপীখি। তাইবঙ নোংশাপান অসিদা শেৎলিবা চরৈ ফি, থাপলৌ মোইথাপ লশিং ফি, শমু উবশা য়োম্না ফি, মালং খমগোল ঙাক্লা - ফি, শমু তুরীক খননা ফি, তাইবঙ শেৎনা ইননা ফিদি- চরৈ ঈকোয় খাঙ কৌবনে। হায়রিবশিংসিদি খোইয়ুম লাইনীং পরৈগীদমক্তদি ফিশেঙ কৌদবনা তাইবঙ চরৈ ময়িন ফি, শমু কুরাং মায়তৈ ফি হায়দুনা ফিশেঙ অমা লৈরি।

থাপলৌ (শিনৌ) লশিংগী চরৈ ফিবু শাবদা নুজা চরৈ ফিশাবী খোমনু তাল্লোয় মরূম্বীনা ঈয়োং ফিশা ফম্বদা, য়েননীং ফম্বাল নংহন্দনা, কোরৌ মাকমৈ খঙনা শাববু ফিশেঙ কৌবনে। মতাং অসিদা নিংশিংজনীংবা ফরজবা ৱাফম অমদি - ইরমদমগী ইম্ফাল ময়োলদগী লমলেন খরা থাপ্পা লমদমশিংদা লৈবি নুজাশিংনা হায়ন-শিংনরগা নুংশি লৈপুন ওইনদ্রিঁঙৈদা লৈশা শিংদা চল্লিবী নুজাশিংনা মখূৎ মক্লা ইয়োং ফিবু ওইরবসু, খ্বাংদবু ওইরবসু মথক্কী কাঙলোনসি কায়দনা খুদৈ ফি নৎত্রগা ইন্নববু ওইরবসু শাবা লোয়রবা মতমদা য়ূমলেপ চারা তম্বগী চৎনবী লৈবগী ৱারী অমা অদুঙৈ অইববু পোকপী পলেম ইমাগা নকশিন্না, লুনা চান্না তিন্নজরম্বী কেগে মোইরাং লমদমদগী অইবনা ইনে ইবেতোন হায়না মিঙ্গৌনখিবী ইনেসিগী মমোমনা মখূৎনা শাজবা চরৈ ফি মথংলেন ওইগদবা মতৈগী শেৎনা ইন্নবা শাবা লোয়রবা মতুংদা পুন্সি লৈপুন ওইখিবগী নুংশিরবা ৱারীদু হৌজিক্তদা মতাং মতম চানা নীংশিংজরকখি।

কেগে কংলা চৈরাপ্তা, ক্বাক্তা উকায় কাপ্পদা, কেগে ফম্নায়বা পূন্নমক চরৈ ফিদান্নগনি হায়না লেপ্পখিবদু মজাইবেম্মা থোইবীনা তারবদগী মপা ইবুংঙো মথং খনবা কেগে ৱাঙ্গোন নিংথৌনা মশামক্লা য়াম্না পাম্না খল্লম্লগা "কেগে ফম্নায়বা কনাগুম্বনা লৈগে নুংগে হায়রবসু য়োম্হোকখ্রনু" হায়রম্বা ফিদুমক নবুঙোতোনগী ফুরিৎ ফিগা থানবা থিল্লুসি শেনু হায়রকপদা, শেনুনা হংজৈ "ইবুঙোতোন্দা খুদোল তৌখ্রবদি পাবুংনা পিয়ু হায়রক অগনা করি খুমগনি।" মদুদা থোইবীনা অসুম্নবু 'থোইবীনা, অচানবী! ফী অসিদি পাবুংনা থোনবা য়াবা ফী নত্তে। থোইবীগী হৈজবা থাদুনা, ময়ুংনসু পাদ মফেন্নসু হন্দ, ময়ুং লংলা লংখোং তেক্তা, মফেন লংলা তাংথক নায়দ, খোংদি ফীগা নাথরম নায়দা, মফেন কারন তেমথক তেনখা লিৎত, ময়ুং খূৎশম কিছি থাংদ, মফেন খূৎশম তাংবোম নায়দ, ফীবান চাওথোক চাওশিন ঙাকিজৌ মচীন নায়দ, য়েৎনা কাঙ ওইনা ওক, ওয়না কাঙ য়েৎনা ওক পাঙদেম চীরিক ইহুন চরৈ খোংদিং তালকপদা, লংলা খুদিংমক্তা শাবী থংলেন লোয়ুম্বগীনি তমখ্রবা চরৈনি। চরৈ অসিনা থংলেন নুংশিবগী হকচাংদা পকপগুম, থোইবীসু লোয়স্ববু থাদোক্লজরোয় নীংদুনা সাত্রাবা, থোইবীনা পাংখক ওয়খ্রবা চরৈনি। অদুনা অচানবী চরৈ অসিমদি পাবুংনা থোনবা য়াবা ফী থোকএ। পাবুংনা হঙকঅগা, শেনু ইবানিনা মোইরাং খোইরী কৈথেলদা য়োম্হোকপদা য়াওখ্রমালে খুম্মসি অচানবী! নিঙোল কা থন্না, লৈরিবা চরৈশিং অসিদগী পাবুংনা অপাম্বা খল্লসনু" হায়রকই । (ঐগী মোইরাং: লামায় ১৪৪-১৪৫)

লাইনীংহনবা মঙাংনা পরী লুৱাংদা খোইয়ুম লাইবু নীংবদা ফিশেঙ হায়বদি লাইনীংদনা ওইগদবনা- সোরারেল খূরায় লাইকল ফি কৌবা য়েৎকী খূবাক অমদি ইমু শিনয়োম - লা, লোকচাক ফি কৌবা খূৎ ওয়গী খূৎবাক অনীমক লোন্নদুনা লৱাই লেমফু মথক্তা থাংগৎতুনা, মীৎলাং অনীমক উইশিন্দুনা খোইয়ুম মাবু নীংজববু ফিশেঙ শেৎ, পুরুম তাইশিকপা কৌই হায়না তাকপিখি। মসিগী তারকপদা খূৎফোং অনীমক্লা লোন্নদুনা, চীনবান মথক-লম থোংনা খুরুম্লগা খূৎপাক অনীমক লোংনা থম্মোয় মপাদা থমগনি। মীৎলাং অনীমা, নাকোং অনীমা, নাতোন অনীমা, চীনবান, থোঙ তরেৎমকপু অহুম অহুম্লক য়েৎকী খূৎনা ওয়গী মীৎতা, ওয়গী খূৎনা য়েৎকী মীৎতা, ওয়গী খূৎনা য়েৎকী নাকোংদা, য়েৎকী খূৎনা ওয়গী নাকোংদা- অসুম্না কারন্ননা ওন্না ওন্না শোকপগা লোয়ননা লাইমিং য়াঙ্খে হায়বদি 'হ, র, ম' হায়বসিনা অহৌবা ওইরগা 'ক, ক, স, হ' না লোয়বা লাইমিং শোনববু পুয়োক কোরৌ লোনশাবা অশেঙবা কৌবা মিংলেন খৈবিকপু শোঞ্জরবা মীশিংদুদি লাইবু নীংবা কৌই হায়নসু তাকপীখি। অসিগুম্বা মী অদুদি নোংথৌ লৈপাক কাখিগনি, অশেঙবা মী কৌয়ে। মসি নৎতবদুনা লাই নীংদবা, অমাংবা কৌয়ে।

মতাং অসিদা থমজনীংবা ৱারোলদি য়াম্না লিরবা মতম হায়বদি মোইরাংগী খম্বা-থোইবীগী মতমদসু, য়াম্না নৌবদা ঙসিদগী চহী কম্বা-নিফুগী মমাঙদসু নুজা ওইবীশিংনা মখূৎমক্লা পামজনা, চেকশিন্না শাজবা চরৈ ফি মশাগী পামজবা, নুংশিজবা মথংলেনশিংগী শেংলবা মরান য়াইদা য়ৌরবা মতমদা শীজিন্নবা পুবা চরৈ ফিশিংসু লাইনীং পরৈগী মনুং চনবসু ওইফম থোকই। মরমদি পুনবা শারিবা ফিশিংদুগী মরক্তা খরা অমনা পানগী ওইবা ফিশেঙ অদুগা খরা অমনা অয়ূক নুংথিল নুমিদাংদা শীজিন্নবা য়াবা মখলগী ফিশিংনি হায়বসি খঙনৈ। মসিবুনি মৈতৈ/মীতৈ ঐখোয়গী লাইনীং লাইশোনগা মরী লৈনবা অমদি ফিশা লোনশাগা মরী লৈনবা নাৎ হায়বদু। মীশিং য়াম্মকপদগী ইয়োং কোল খিন্নবা মফম (ফিশাফম) হৌজিক্কী য়ূমশিংদা লৈনরক্ত্রবসু, নাকল অমরোমদা লাইরিক হৈরুরগা লৈঙাক্কী নৎত্রগা লন্নাইগী অচৌবা থবক শুফমশিংদা থবক ফংবা ঙমদ্রবসু, মমাঙঙৈগী লাইনীং লীচৎপু য়োকখৎনবা, মশা মশাগী শেন্দাল লন্বীসু ওইজনবা, মীরমদসু য়াম্না পাম্নরিবা ইরমদমগী ফিগী পোত্থোক য়োকখৎপা ওইনা হীরমসিদা মরী লৈনবশিংনা পূক্লিং চঙহঞ্জনীংই।

(৫ শুবা পেরাগ্রাফকী মখা ৬ শুবা পেরাগ্রাফ ওইনা)

খোইয়ুম লাইবু নীংবদা - তেংবানবগী কয়াৎ ওইবা, চীংঙু শাথেক নিংথিবা মঙাং, লুৱাং, খুমনগী কোরৌ মতাং অহুমদা পুরুম তাইশিকচবদা ফমগদবা ফম্ফমগী ওনগদবা শমু মায়য়োন কায়ফদে হায়নসু পারী লুৱাংদা তাকপীখি। অয়ূক নীংবদা নোংচুপ - নোংপোক, নোংথিন (নুংথিল) নীংবদনা মখা-অৱাং অদুগা নুমিদাং নীংবদনা লীক্লমগা-নোংশিৎ (লীক্লম নুশিৎ হায়বদি কৌব্রু মায়কৈ) ওনগনি হায়রিবশিংসি শোয়ফদে। খঙদ্রবদি য়োমগদবনে। মথক্কী লাক্লেন মতাঙ খঙববু অখঙবা মী কৌরগা, খঙদববুনা মীথিবোঙ, মিতমপাল কৌয়ে। অদুনা, তীননীং লাইনীং অহুম্মক্তা থৌরম কারন চননা লানফদে হায়না চেকশিন ৱাফমবু পারী লুৱাংদা তাকপীখি।

অহানবদা অমৎতা ওইরম্বা শিদবা মপূনা খোইয়ুম লাইশিংবু পুথোক্লকপদা, মালেম লৈমবু শেন্লকখিবা, মথং মথং কয়া শেন্লকখিবা অসিনচিংবগী মতাং তোঙানবা তাঙ্কক অমদা ইজরক্কে।

মঙাং, লুৱাং, খুমন অহুমমক্কী মিংখৈদি 'মীৎশারি, মীৎশাখা, মীৎ মরু' কৌয়ে। খোইয়ুম লাইমিং অসিদি কাওরেল শনগোল অহুমগী ফমপি ওইবা লাইনিংনে। শনগোল অহুমমক্কী লাইবু নীংবদা মিংখৈ অসি শোনগনি। নুমিৎনা ঙাঙনা লা-না থোরক্কে হায়বগী মঙাং কৌয়ে। লুনা ৱাংনা থোরক্কে হায়বগী লুৱাং কৌয়ে। খূনা মমনা তাখি হায়বগী খুমন কৌয়ে। হায়রিবা নোংঙাল্লকপগা নুমিৎ য়ুংবগা, নুমিৎ তাবগা অহুম অসিদি খোইয়ুম অহুম্না য়াথোকপা মতমনে পারী।

লাই নীংগদবা ৱাফমগী মতাংদা লোইদাম থাজ অহানবদা কোরৌ নোংমাইজিং থোক্লবদি খোইয়ুম লাইগী অথোয়বা নুমিৎনে - অশেঙবনে। অসিগুম্বা নুমিৎসিদা তারা চাক শীৎলগা (চরা হেল্লগা) মথঙ কোরৌ নুমিৎতা তারা চাবা য়াই। থা অহল নোংদগী নীংবা হৌরবদি থা অহল অমা য়ৌনা নীংগনি। থানিলদগী হৌরগনা থানিল অমা ফাওবা নীংগনি। অতিয়াদগী সমানহী, পাখঙবদা লাই খৈবিক্লা তারা চাক কৎপা, হৈরাঙ লৈরাং কৎপা য়াই। লাইনা চাবা, চিনবনা কৎচমল ফংয়ে। হয়ি হয়া অমদি তেংপানবগী থৱায় পাললিববু, য়েক্লবা মখোম থোক্তনা লাই, মী য়োক্লি। মালেমদগী থোকপা মখোয় হৈরাঙ, লৈরাং তারা চাক অসিদি মশানৌগী খোমলাং মথং লেলনা থকফ-চাফদবগী চাদে, থক্তে, চিলদেয়ে। অদু নোংগী লাই মহাক্তি পূক্লিং নৌনা নুংশিববু লৌখীয়ে, চায়বীয়ে। অদু নোংগী লীক চৎতুনা লাইমিং শোনগনি।

খোইয়ুম লাইবু নীংবা অমদি কৎপগী মতাংদদি অয়ূক্তা নীংবদি শমপ্রেৎ চিল্লগা তিংথৌ লৈ কৎলি। নীংগদবা লাইদি নোংপোক হায়বদি নুংশিৎ- 'সো' শিদবা অতিয়ানে । নুমিৎ য়ুংবদা তাবুল শেৎলগা থংচীঙ লীই হায়বদি 'হো' - পাখঙবা মৈদা ইরিকশিবী লৈবু কৎলগা নীংগনি। নুমিৎ তারকপদা লোলৈ শেৎলগা, লৈনা নোংলৈশং কৎলগা কৌব্রু - 'রো' মহী ওইবা মহী সনারেলনে। লাই অহুম অসিবু নীংজরবদি নহান মপোক্তা অফবা তৌরকপা ওইরক্লবদি চহী ৩০০ পুন্সি নোংশাংজৈয়ে। ফৎলক্ত্রবা অদুবু হন্দক মপোকসিদা খোইয়ুম লাইশিংবু নীংজরবদি মরক মহাদা শিরোই, লাইনা থাবা চহী ১২০ য়ৌনা পুন্সিগনি হায়না মঙাং লাইনীংহনবনা পারী লুৱাংদা মচা খায়না তাকপীখি।

---

# সনামহী লাইনীংনা অসুম-অসুম চাওখৎলকপা

***"ইপানাৎ ইপুনাৎ ঙাক্তুনা চাওখৎহনবনা অশেংবা লাইনীংনি অমদি মচা-মস্তু ওইবা ঐখোয়গী শোয়ফদ্রবা ইথৌনি হায়না খন্নরকপা অসিনা লাইনীং অসি অসুম-অসুম চাওখৎলক্লি হায়বগী লেংদ্রবা খুদমনি।"***

– ডা. থৌনাওজম রুহিচান্দ –
এসিস্টেন্ট প্রোফেসর
দিপার্টমেন্ট ওফ উমংলাই হরাউবা
মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচর

**মণিপুরদা** খুন্দারিবা খ্বাইদগী মশীং য়াম্বা ফুরুপ অসি মীতৈনি। মীতৈ ফুরুপ অসিগী মনুংদা সনামহী লাইনীং চৎপা অমদি হিন্দু লাইনীং চৎপা হায়বা কাঙলুপ অনী লৈ। তোঙান তোঙানবা লাইনীং চৎচরবসু কাঙলুপ অনীমক্লা ঙসি ফাওবা লাই অনীখক লেপ্তুনা ঈরাৎ-থৌনি তৌরি। মখোয়দুদি য়ূম-য়ূম খুদিংগী লাৎনরিবা লাইনিংথৌ সনামহী অমসুং লৈকায় লমদম অদুবু কোনবীরিবা উমংলাইশিংনি। হিন্দু লাইনীং চৎপা মীতৈশিংদা নত্তনা মীতৈ ব্রক্ষ্মনশিং ফাওবনা লাইনীংথৌ সনামহী লাৎপগী থবকসি তৌনৈ। সনামহী লাইনীং চৎপা মীতৈশিংসু য়ূমগী শন্থোং থংবা মায়কৈদা (ইমুংদা) লাইনিংথৌগী খুভম য়াদুনা অয়ূক নুমিদাংগী ওইনা খুরুমনৈ। অদুগা হিন্দু অমদি সনামহী লাইনীং চৎলিবা মীতৈ কাঙলুপ অনীমক্লা পূন্না শরুক য়ামিন্নদুনা হরাউ কুম্মৌগা লোয়ননা ঈরাৎ থৌনি তৌমিন্নরিবা অসিদি লম-লম্বু কোনবিরিবা উমংলাইশিং অসিনি।

সনামহী লাইনীং অসি সাউথ ইষ্ট এসিয়াগী খ্বাইদগী লিরবা লাইনীং লম্বেলশিংগী মরক্তা অমনি। য়াম্না ঙল্লিঙৈ মতমদগী অসুম অসুম দিভলপ তৌখৎলকপনা ইনিংথৌ খাগেম্বগী (১৫৯৭-১৬৫২ এ দি) মতম ফাওবা য়াম্না নিংথিনা দিভলপ তৌদুনা লাকখি। অদুবু মতমগী খোঙলৈ মতুংইন্না লমদম অসিদা মপানগী লাইনীং (হিন্দুইজম) লাকখিবদগী ইনিংথৌ পামহৈবা (গরিবনিৱাজ) গী মতমদগী (১৭০৯ এ দি) লাইনীং অসি পুরা মুৎপগা মান্নবা মওংদা মরাই চাইথখি। অসুম্না মরাই চাইথখিবদুনা কুমজা ১৯৪৫ দা অপোকপা মরুপ লিংখৎলক্ত্রিঙৈগী মমাঙ ফাওবদি ইপা-ইপুগী লিক্লম অসি ইফুরুপচা অয়াম্বনা নাথৈদুনা থম্বীরমখি, অপোকপী ইমাদা ফোংনা 'ইমা' হায়না কৌবা ঙমজদনা লাকখি। অদুবু মতমদুগী মীয়াম্না অঙাওবনি শোক্ল-শম্নবা য়াদে হায়দুনা ইম্হোকপীখিবা মশম, মকোই শাংবা খুদৈ-খোংদাই শেৎপা ইপা-ইপুশিং অদুনা তুংগী মীরোলশিংগীদমক খনবীদুনা ৱানা খাঙবীরম্বগী মহয়না ঙসিদি ঐখোয়গী মালেম মীয়াম মমাঙদা ঐখোয়গী ইপা ইপুশিংনা থম্বীরম্বা য়াম্না ইনাক খুনবা হীরম খুদিংমক্তা ফজরবা লাইনীং লম্বী (সনামহী লাইনীং) অমা লৈজৈ হায়না চাউথোকচবা ফংলে। লাইনীং অসি ঙসিদি তপ্না তপ্না হিংগৎলকপনা সেন্সস ওফ ইন্দিয়াদা য়াওদুনা মালেম মীয়াম্না শকখঙলবা লাইনীং অমা ওইরে। শজিফুগী নোংমা পানবদা চৈরাওবা মীতৈগী মশীং চহী খুদিংগী হেনগৎলক্লি। ইমোইনু ইরাৎপা অমদি পান্থোইবী ইরাৎপদা মীয়াম্না পূক্লিং চঙবা হেনগৎলক্লি। মতম অমদদি থিংলুরবা উমংলাইশিং হরাউনবগী চাং সুম হেনগৎলকপা অসি মীয়াম্না হেন্না খঙন-উনরবা ঙাক্তনি। ইপা ইপুগী খোঙ্গুল লীবা অমদি ইনাৎ কনবা লূপ মশীং থিঙমদনা লৈখ্রে ঙসিদি।

মতমগী খোঙলৈবু তাকপা ওইনা হৌখ্রবা মতম, হৌজিক হৌজিক ওইরিবা অদুগা তুংদা লাক্কদৌরিবা মতম, হায়রিবা মতম অহুম অসিগী অফ-ফত্ত, থৌদোক ৱাথোক পূন্নমকপু থোইদোক্লা খঙ হৈ উরবা, খোইয়ুম লাইশিংগা ঙমথংনরবা মীতৈ মাইচৌশিংনা (স্কোলর) থোক্লগদবা মতমগী মরমদা পাউরৌ পান্থে ওইনা অমদি খুদম ওইনা ইথোক্লদুনা পুয়া কয়া অমা থম্বীরম্মী। ৱাঙু পাজি অমদি কমেং থবীবা নত্তনা অতৈ মাইচৌ পূম্বা মানা মানা লাংওল্লিবা উ, ৱা, লীনচিংবদু মুৎতুনা মাঙখ্রবা মতমদা মখোয় অমুক নৌনা লাংওল্লক্লে হায়বা খঙঙো হায়না তাকপীরম্মী। মীতৈ ইনাৎ লাইনীং অরিবা অদু নৌনা অমুক শাফোংলক্তুনা হঞ্জিল্লক্লগনি হায়না মতমগী খোঙলৈবু তাকপীরম্মী। অসুম্না তৌরবদি ঐখোয়গী লাইনীং লম্বীদা য়েৎশিল্লিবা মীনাৎ অমদি মরীং মরাংবা কয়া অসি শোয়দনা লোইশিল্লক্লগনি লোয়ননা হান্নগী অরিবা অদু নৌনা ময়োন চোংলক্তুনা চাওখৎলক্লগনি হায়নসু তাকপীরম্মী। চীংউশিংদুনা হায়বীরম্বা তাকপীরম্বা ৱাফম পূম্বা মতমগী মতুং ইন্না লোয়না চুমদুনা লাংওন খুদিংমক শুরক্লে। অদুননি হৌজিক পূন্নমক ফুৎ ফুৎ ফাওগৎলক্লিবসি। চীংউ মাইচৌশিং অদুগী লাংওনশিং শুরক্লদুনা পোইরৈ লমদম অসিদা মথং মথং লাকখিবা অওনবশিংবু হঙ্গৎনা নৈনদুনা য়েংলগদি ঐখোয়না খঙগনি মদুদি মপা মপুগী ঈগী খোঙ্গুল লীগনবা কাঙবুনি অদুনা মীতৈগী চৎনবী লাইনীং পূম্বসি মুখৎলসি হায়না ঙসি ফাওবা হোৎনদুনা লাক্লবসু ঙসিদি ইফুরুপসিগী অশেংবা মশক খঙনিংবা মীওই কয়া কয়া থোক্লক্তুনা ইনাৎতা মরীং মরাংবা থোকহল্লম্বা কয়াবু ফিজুম থাদুনা চুমথোক্লক্লে। মতমগী খোঙলৈবু কনানা থিংবা ঙমগনি - অদুঙৈ থুগাইদুনা মাঙহন্নবা হোৎনরম্বা উমংলাইশিং ঙসি কাঙলোন চুম্না হরাউনবগী ঈহৌ অমা কনখৎলক্তুনা মণিপুর অমদি মণিপুরগী মপানগী মীতৈ তাবা মফমশিংদা লাই হরাউবগী খোঞ্জেলনা পুঙনিল নিল্লে। উমংলাইশিংবু গোবিন্দজি টেম্পল বোর্দকী মখাদা থমগদবনি হায়না এসেমব্লিদা বিল পাস তৌরুব্রা হায়ববু উকলনা লুচিংদুনা লৈবাক মীয়াম হৌরকপদগী মণিপুর লৈঙাকসু অচৌবা পাড়া অমা তমখ্রে। নিংথৌগী চৈরাক কিবদগী লৈবাক মনুংদা ফাওবা ফুমলুরবা মপা লাই মপু লাই লাৎপা হেনগৎনরকপগী খুদমদি শাগৈ অপোকপা খুভম চাউনা-চাউনা শাগৎনদুনা য়ূমদাবা পুয়া ফাওবা ফোঙগৎনরক্লে। য়ূমথোং খুদিং, ওফিস, ফেক্টরি, মিলনচিংবা থবক শুফম খুদিংদা লাইশঙ অমমম শাদুনা লাৎনরক্লিবা অমদি সনা কৈথেলদা অশাবা লাইশঙ, শেনপোৎ লাইপোৎ, লাইফিনচিংবা লাইনীংগী পোৎ চৈ কয়া মরাং কায়না য়োন্নরক্লিবসি অচম্বা খুদম নত্তে। শজিবু নোংমা পানবদা চৈরাওবনা চুমগনি হায়না খন্নরকপা, য়াওশঙদা হরিবোলাগী খোঞ্জেল তাবা ফংজিল্লক্তবা, ইঙেনগী কাং চিংবীনবা মী লৈরক্তবগা লোয়ননা কৃষ্ণ জর্ন্ম, থৌরানি জর্ন্ম, গৌরালিলা, সংক্রান্তি, শীবরাত্রিনচিংবা মীনাৎশিংগী ৱারী কাউনরক্তুনা মেরা হাওচোংবা, পাখংবা সনামহী চেঙহোংবা, হৈক্রু হিদোংবা, ক্বাক তানবা, ইমোইনু ইরাৎপনচিংবা ইনাৎকী লাইথৌশিংদনা হেন্না খঙনীংবা অমদি থিজিনবা হেল্লক্লি। গোত্রগী মহুত্তা য়েক সলাই থিনরক্লে। ইচা ইশুগী মমিং থোন্নবদা য়ূম্নাক শাগৈগী মশক খঙনা ইপা ইপুগী ওইবা মিং কয়া নীংশিংনরক্লিবসি অচম্বা অওনবা নত্তে। মহৈ তম্ফমশঙশিংদসু ইরোল ইয়েক্লা মহৈ মশীন তম্বা ফংলক্লে। ইনাৎ লাইনীংগী মরমদা থিজিনবা অমদি য়োকখৎপা মীওই কয়া, লূপ কয়া মশীং থিঙমদনা হেনগৎলক্লিবসি থিংবা ঙম্লরোইদবা ঈহৌ ঙাক্তনি। ঐখোয়না খ্বাইদগী মতিং ফুদোকপা ঙল্লিবা শান্না খোৎনবা অমদি চৎনবীগী থৌরমশিংদা হেন্না চাওখৎপগী খুদম কলচরেল য়ুনিভর্সিটি অমদি স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি অমমমগী ময়োল চোঙখৎলকপসিনি। সুম মতম খরা চৎনরম্বদগী মিৎয়েংদা ফজবগুম্না লৌনরুরবা হৌরকৱারীগী খল্লুরবদি য়াম্না তুক্কচবা লুহোংবগী পোৎলোই তোক্লদুনা মীতৈগী অশেংবা ফিজোলশিংতনা হেন্না পাম্নরকপসি মতমগী খোঙলৈনি হায়দবা য়ারোই। ক্বাক্লা ৱাহোং মতু থেৎচিনবগুম্না মীনাৎতা লুপলুরবা মীতৈ মচা কয়া মালেমগী তোঙান তোঙানবা ফুরুপশিংগী মমান্নবশিংগী মমাঙদা ইকায়বা, চোপ্পা কয়া নংলুবদগী শিংনবা অমা য়াওনা মখোয়শিংদুনা ঙসিদি ইপানাৎ ইপুনাৎকী খোঙ্গুল লিরকপসিদি করি অমুক হায়রুরগনি। বৃন্দাবনগী মরুপ হৌনরম্বা কয়াদু ঙসিদি মীগী মী চপ মান্নবসিদা মীতৈনা থোং থাকপা চাদে হায়রবনিনা ঐখোয়সু মখোয়গী মখূৎ চাররোই হায়বা মীতৈ কয়া কয়া থোরক্লিবা অওনবসিনা করি তাক্লিবগে হায়বদু নৈনবদা য়াম্না নুংঙাইগনি।

মণিপুর লৈঙাক্লসু লাইনিংথৌ সনামহী টেম্বল বোর্দ এক্ত ১৯৭৬ বু চৎনহন্দুনা অহানবা এম আর কমপ্লেক্সতা লৈরিবা লাইনিংথৌ সনামহীগী লাইশঙ অসি মীয়াম্না লাই খুরুমজবা, চাকলেন কৎপা অমদি ইনাৎকী লাইথৌ থৌরম পূন্নমক তৌবা ফংজনবা শীনবীদুনা ঙসিদি লাইনীং অসিবু মীয়ামদা হেন্না খঙহন্নবা অমদি পাম্বা হেনগৎহন্নবা হোৎনবদা অচৌবা মতেং অমা ওইরে। অদুগা অমনা, লাইনিংথৌ সনামহী টেম্পল বোর্দ অসিনা মপূং ওইবা থৌদাং লৌদুনা মালেমদা লৈরিবা মরুওইবা লাইনীং অয়াম্বগী হোলি বুক লোয়না লৈনবগুম্না ইন্দিয়া অমসুং মণিপুর গভর্ণরমেন্টনা শকখঙলবা লাইনীং অসিগীসু মতম কয়াগী মমাঙদগী ৱাৎতুনা লৈরক্লবা মীয়াম্নসু খৌরাংনা ঙাইনরিবা সনামহী লাইনীংগী অশেংবা লাইরিক 'পুয়া' (ইপা-ইপুশিংনা য়াদুনা থম্বীরম্লবশিং) লাইরিক অমা য়াম্না অথুবা মতমদা থম্নবা ৱারেপ লৌদুনা অকনবা থবক চঙশিনবা হৌখ্রবনি। ৱায়েল লোইশঙদা ফাওবা পায়দুনা ৱাশক্লরগদবা পুয়া লাইরিক অসি ঐখোয় পূন্নমক্কী থৌনা-পাঙ্গল, ৱাখল, লৌশিংগী হৌরকফম, তুংনফম অমদি মঙাল ফংফম শুংশোয় শোয়দনা ওইরগনি। লাইনীং অসিগী অশেংবা ফজবা, মনুংগী অথুম্বা, অহকপশিং অদু লাইরিক অসিনা ঐখোয়দা শোয়দনা খঙহল্লগনি হায়বসি ঐখোয় পূন্নমক্কী অচেৎপা থাজবনি।

অমুক্তা হেন্না নুংঙাইরিবা ৱাফম অমনা লাইনিংথৌ সনামহী থৌগল কাঙলুপ, পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবনা অচৌবা থৌদাং লৌদুনা পব্লিক চেরিটেবল ট্রষ্ট অমা শেমখ্রবা মতুংদা সনামহী লাইনীং অসিবু কননবা অমদি চাওখৎহন্নবা, মালেমগী থাক্তা পুখৎননবা খোঙজং অমা ওইনা ফাউন্দেসন ফোর য়ুনিভর্সিটি ওফ সনামহী কলচর কৌবা 'মালেম সনামহী লাইনিংকোল' অমা লিংখৎননবা কন্না হোৎনরি। হৌজিক ফাওবদা ট্রষ্ট অসিনা নোংমাইজিং চিঙ্গোই মরুদা লাইনিংকোল অসিগী ময়োল ওইগদবা অচৌবা 'সনামহী কিয়োং' অমা শাননবগীদমক অহিং-নুংথিল, নোংজু-নুংশা অমদি কুম্বী-কালেন নাইদনা পোইরৈ লমদম অসিগী কাচিন-কোয়া মফম খুদিংমক শিন-থুংনা চৎতুনা মীয়ামদগী মতেং নীদুনা কন্না হোৎনরি।

ট্রষ্ট অসি লিংখৎখিবগী মপূং ওইবা পান্দমদি মপানগী অচৌবা ফুরুপশিংগী শাফু কল্লবা মীনাৎ লাইনীংগী ইথিল অমদি য়াম্না ওর্গনাইজ ওইরবা শেঞ্জাও থাদবা ঙম্বা অচৌবা লাইনীংশিংনা মখোয় মশেল হিদান্নবদা অমদি কলচর-রিলিজনগী পাম্বৈনা মালেম শিন থুংনা মখোয়গী মচি (ভেল্যুজ) ৱাংঙুরোল, ৱাখল্লোন, খুন্নাইরোল, শেনমিৎলোন অমদি লৈঙাক্কী লোইলম শন্দোক্লবা হোৎনবদা লমদম অসিগী মীশিং লিকচরবা অপীকপা অশোনবা য়েলহৌমীশিংগী তাঙলবা নাৎ-লাইনীং, ৱাংঙুরোল খুন্নাইরোল, মোরেল-ইথিক্স, চৎনবী-থাজনবী, ফিজেৎ-চাকচা অসিনচিংবা ফুরুপ/কাঙলুপশিংগী অশেংবা অচুম্বা শক্তম অমদি থাক ৱাংলবা শক্তমগী মচাকশিংবু কাং-খোং চাইহল্লক্লিবা, মাঙহল্লক্লিবা অসিদগী কঞ্জহৌনবগীদমক্তনি। অসুম্না ইশাবু ঙাকথোকচনবা হোৎনবগী মথক্তা ৱাংলবা সনামহী লাইনীংগী স্পিরিচুএলিজম লোয়ননা মালেমসিদা লৈরিবা অচৌবা অমদি অপীকপা নাৎ অমদি লাইনীংশিংগী মরমদা নৈনমীন্নদুনা, অমনা অমদা পীথোক-পীশিন তৌনদুনা, খঙহন-হৈহন্দুনা, শন্দোক্তুনা অমগা অমগা ইকায়খুম্নবা, তুহৎ-নৈহৎপা লৈতবা অইংবা নুংঙাইরবা মালেম অমা শেম্মীন্ননবগী পাউজেল শন্দোক্লবগীদমক্তনি।

হৌজিক ফাওবা ট্রষ্ট অসিনা নোংমাইজিং চীঙ্গোই মরুদা লাইনিংকোল অসিগী ময়োল ওইগদবা অচৌবা 'সনামহী কিয়োং' অমা শানবগী থবক কন্না পায়খৎপগা ইরোয়ননা মথং মথং কংলৈ ৱাংঙুরোল, অমাইবা-অমাইবী, পেনা, জগোয়-ঈশৈ, থাঙ-তা, মুক্লা-কাংজৈ, পুয়া-পুদিন, হোংনেম শিল্লেন, কংলৈ-পুৱারী, কংলৈ লায়েংলোন অসিনচিংবা কয়াগী নৈনফম তম্ফম লোইশঙ কয়ামুক লিংখৎপদা নত্তনা লমদম অসিগী য়েলহৌমীশিংগী লোন (লেঙ্গোইজ/দাইলেক্ট) শিং, মালেমগী অতৈ লিটরেচর, কলচর, রিলিজন, ফিলোসোফি, হিষ্টরি, ইকোনোমি, এন্থ্রোপোলোজি, সোসিওলোজি, পোলিটিক্স অসিনচিংবা কয়াগী নৈনফম-তম্ফমশিংসু মথং মথং লিংখৎনবগী পান্দম থল্লি।

ইন্দিয়াগী অমদি মালেমগী অতৈ লৈবাক কয়াদা গভর্ণমেন্টকী নত্তনা প্রাইভেট য়ুনিভর্সিটি কয়া লিংখৎনখ্রে। শেল য়াম্না চঙবা ওইরবসু করিগুম্বা পান্দম অমগীদমক্তা লিংখৎনখ্রিবা ঙাক্তনি। মখোয়গী ওইনদি শিবা-চঙবগী ৱাফমদগী লিংখৎখিবা নত্তে। অদুবু কংলৈ য়েলহৌমীশিংগীদি ফুরুপকী নাৎ-শক্তম মাঙশিল্লকপা-মুৎশিল্লকপা, শিবা-চঙবগী, অকিবা কয়াগী চৈফু নংলিবা অসিদগী কঞ্জনবগীদমক্তা লিংখৎতবা য়াদবনি। ইশাগী ইফুরুপকী অশেংবা নাৎ-শক্তম অমদি ইকায়খুম্নবা কঞ্জনবগীদমক্তদি করি অমুক হায়জনীংঙাই লৈজদ্রে অৱাবা কোঙ্গাই খাঙদুনা কখোকপগা লোয়ননা তৌফম থোকপা পূন্নমক তৌবা তাবনি। ইশাগী ইনাৎ-লাইনীং শক্তম কঞ্জনবগীদমক্তা তৌফম থোকপা পূন্নমক তৌরবদা ঙম্লোইদবা করিসু লৈতে। লাইনিংথৌ-লাইরেম্বীনা য়াইফরে।

## মরোল থোকপা লাই

